# উরিষাদা বার্দ ফ্লুনি চিংনবা লায়নানা য়েন কয়া শীহনখ্রে



*কেন্দ্রপরা, আগষ্ট ১৭ঃ*

উরিষাদা বার্দ ফ্লুনি চীংনবা লায়নানা য়েন লিশিং কয়া শীহনখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংদা মিপায়বা পোকহল্লে হায়রি। অদুম ওইনমক ভেটেরিনরি এক্সপার্ট শিংনা কারিনাসি খুঙ্গংদা য়োকপা য়েন কয়া শীখিবা অদু বার্দ ফ্লুনা শীহনখিব্রা নত্রগা অতোপ্পা লায়ননা শীহনখিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চথরি।

হৌখিবা চয়োলদা লমদম অদুদা য়েন ১,১১০০ শীহনখ্রে। এক্সপার্টশিংনা খুদক্তা মফম অদুদা চংশিন্দুনা য়েংশিনখি। লমদম অদুদা এলাট লৈহনবগা লোয়ননা অশিবা য়েনশিং অদু লেভোরেটরিদা চাং য়েং তৌবা থাখ্রে হায়না ভেটেরিনরি ওফিসার চাইটনিয়া চরনসেথিনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা লমদম অদুদা শীখ্রবা য়েনশিংগী মশাশিং লেভোরেটরিনা চাংয়েং তৌনবা খঙহনখি। অশিবা য়েনশিং অদুগী সেম্পলশিং ভুবনেশ্বরদা লৈবা এনিমেল দিজিস রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা চাংয়েং তৌননবা থাখ্রে হায়রি।

লমদম অদুগী ফার্ম অমদা য়েন কয়া শীহনখিবা অদুনা লমদম অদুদা বার্দ ফ্লু শন্দোরক্লম্বা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরি। অদুম ওইনমক অশিবা য়েনশিং অদুদা বার্দ ফ্লুগী লায়ওং ফংবা লৈত্রি হায়রি।

ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টনা অশিবা উচেকশিং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌদুনা এক্জামিনেসন চথরবা মতুং চপ চাবা ৱাফম খঙবা ঙমগনি। বার্দ ফ্লুগী মহিকশিং মরু ওইনা প্রোটোজ্বাশিংনা উচেকশিংগী থিবোং–থিরিলদা শোকহল্লি।

লায়না অদু অশিবা উচেক অমদগী অমদা শন্দোকপগী খুদোং থিবা লৈ। অদুম ওইনমক লায়না অদু নুংশিৎনা শন্দোকপা লায়না মখল অমদি ওইদে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমা ওইনা পাক শন্না য়েন লোয়বা ফার্ম অমদসু য়েন কয়া শীহনখিবা লৈরে হায়বগী রিপোর্ট লৈ। অহানবগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দিপার্টমেন্টনা অশিবা উচেকশিং শোক্লুদনবা খঙহনখ্রে। মদুতা নত্তনা ফার্ম চল্লাইরিবা মপুশিংদসু অশিবা উচেকশিং মফম চানা থম্ননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ষ্টেট অদুদা রেপিদ রেস্পোন্স টিম থম্বগা লোয়ননা হিংলিবা শা–উচেকশিংদা য়েংশিনবগী থবক চথখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা অনাবা উচেকশিং মশক খঙদোক্লবসু খঙহল্লক্লি।

অদুগুম্বা লৌনগনবা লায়না অদু শন্দোকপা থিংননবগীদমক অথুবা মতমদা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথরগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। ব্রোইল্লর য়েনশিং লোইবা পোলত্রি ফার্ম মপুশিংদা নিংহন্নবা কয়া পোকহল্লে।

ওফিসিয়েলশিংনা খুঙ্গং অদুদা লৈবা পোলত্রি ফার্মশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবগী থবক চথরি। লোয়ননা ফিভম অসিদা থোইদোকপা কিনিংঙাই ওইবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লায়না অদু লাকশিন্নবগীদমক ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা মখোয়না লোইরিবা উচেকশিং অদুদা ভেক্সিন কাপথোকপগী এৱেয়ারনেস কেম্পেইনসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা, খ্বাইদগী ৱাংবা গ্লাস ব্রিজ চাইনাদা হাংদোক্লগনি



*চাইনানা শেমগৎলিবা মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা গ্লাস থোঙ*

*বৈজিং, আগষ্ট ১৭ঃ*

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা অমসুং খ্বাইদগী ৱাংবা গ্লাস ব্রিজ হুনান প্রোভিন্সতা হাংদোক্লগনি হায়না চাইনা মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মিটর ৪৩০ শাংবা, মিটর ৬ পাকপা থোং অদুদা মরোল অহুম নাইবা মনুং মপান ফাওনা উবা গ্লাস পেন্ট ৯৯ য়াওরি। থোঙ অদু লৈমায়দগী মিটর ৩০০ লোম ৱাংবা মফমদা শাবনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

থোং অদু মালেমগী ওইনা ১০শুবা রেকোর্দতা লৈবগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী দিজাইন তৌদুনা শাবনি। নুমিৎ খুদিংগী ভিজিটর ৮০০০না থোং অদু য়েংবা লাকপা য়াগনি। অদুম ওইনমক থোঙ অদু য়েংননবগীদমক নোংমগী মাংওইননা রিজার্বেসন লৌবা তঙাইফদে হায়রি।

থোং অদু দিসেম্বর থাদা লোয়শিনখিবনি। থোং অদুদা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা তোন ২ লুম্বা ত্রক লানবা মীয়ামদা উহনখিবা লৈখ্রে। জাংজিয়াজিদা লৈবা য়েংবদা পুক্লিং হুরবা মফম অদুদা মমাঙ চহী ফাওবদা মীওই মিল্লিয়ন ১.২না য়েংবা লাকখি হায়রি।

## GAS TODAY

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......11/08/2016
Valid from ........... 08/08/2016
Stk......................270 (DBTL)
Timing.........7.30 to 10.30 am

**LAMSANG GAS**
Booking upto .......23/07/2016
Valid from ........... 19/07/2016
Stk.....................306 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am
Submit Aadhaar Card

**MAHALAKSHMI INDANE GAS**
Booking upto .......16/07/2016
Valid from ........... 01/07/2016
Sl. No. 2000009270
Stk.....................306 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am

# সাউদিদা রোকেট কাপশিল্লকপদা মীওই ৭ শীরে

*রিয়াধ, আগষ্ট ১৭ঃ*

য়েমেন রিবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা ঙসি রোকেট কাপশিনবদা মীচম ৭ শীরে। য়েমেনদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা সাউদিনা লুচিংবা কাংবুনা হৌখিবা থা ১৭কী মমাঙদগী খুৎ থিংজিন্দুনা লাকখিবা মতুং সাউদিদা রিবেলশিংনা রোকেট কাপশিল্লকপদা শীখিবা মীগী মশিং হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা অমনি হায়রি।

সিভিল দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা রোকেট কাপশিল্লকপা অদুদা য়ামদ্রবদা মীচম ৭ শীখ্রে। ইম্মর্জেন্সি পার্সোনেলশিং নুংথিলগী পুং ৫দা কৌখৎতুনা য়েমেনদগী রোকেট কাপশিল্লকপগী মতাংদা রিপোর্ট কৌখি।

সোসিয়েল মেদিয়াগী ভিদিওদা উৎলকখিবদা লমদম অদুদা মৈ চাকপা কয়া উখি। লোয়ননা অতেক অকায় কয়া পৈদুনা লৈবসু উখি। মকোক্তগী ঈ থোক্লবা মীওই অনী তাদুনা লৈবসু উখি। মখোয় শীরম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। থোক্লিবা থৌদোক অদুদা পুক্লিং ৱাবদি ফাওই। অদুম ওইনমক অকিবদি লৈতে হায়রি।

কাপশিল্লকখিবা রোকেট অদুনা গেরেজ কয়া লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল, কম্মসিয়েল এরিয়া অদুদা পানখি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অশোক অপন নংলম্বা য়াই হায়বগী চীংনবা লৈ। মমাঙ থাদা য়ু এনগী পিছ টোল্ক কায়খ্রবা মতুং ঙমখে লমদমদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক হেনগৎলক্লি। মমাঙ চয়োলদসু সাউদিদা সেল কাপশিল্লকপদা মীচম ২ শীখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# উট্টরপ্রদেশ এসেম্ব্লীগী মীখল ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোকপীনবা ময়াবতিনা হায়জখ্রে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৭ঃ*

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী সুপ্রিমো ময়াবতিনা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসনদা ষ্টেট অদুগী মীখল ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোকপীনবা হায়জখ্রে।



*বহুজন সমাজ পার্টিগী সুপ্রিমো ময়াবতি*

লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি অমসুং সমাজ ৱাদি পার্টিনা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল অদু থেংথনা পাঙথোকপা পাল্লি। ষ্টেট অদুগী এসেমব্লী মীখল মথং চহীগী জনুৱারি–ফেব্রুৱারি থা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি।

দিল্লিদা উট্টরপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইবা তঙাইফদবা লৈরে। মতম কয়াগী মমাঙদগী ষ্টেট অদুদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাক্লি।

য়ু পিদা সেন্টরনা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইবগী হক সেন্টরদা লৈত্রে। সমাজ ৱাদি পার্টি চয়োল অসিগী মমাঙদগী হৌনা মাং জিন থানা লাকখিবনি। লখনৌদা পাঙথোকখিবা নিংখা তম্বা নুমিৎকী থৌরমদা পার্টি অদুগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা মহাক্কী মচানুপা চীফ মিনিষ্টর অখিলেস য়াদবনা মহাক্কী মখুরা সিবপাল য়াদবপু শক খঙদে হায়বগী মতাংদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মুলায়ম সিংহনা পার্টি অদুগী মনুংদগী মীওই কয়া লৌথোকপা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈরে হায়রি।

# মহারাষ্ট্রগী রাজ ভৱনগী মখাদা বৃটিস মতমগী মিটর ১৫০ শাংবা বঙ্কর থেংনরে

*মুম্বাই, আগষ্ট ১৭ঃ*

মুম্বাইগী মালাবর হিলগী মনুং চন্না লৈবা রাজ ভৱন কমপ্লেক্সকী মখাদা বৃটিস মতমদা শেমগৎলম্বনি চীংনবা মিটর ১৫০ শাংবা বঙ্কর থেংনরে হায়না মহারাষ্ট্র গভর্নর সি ঐচ বিদ্যাসাগর রাওনা ফোঙদোরক্লি।

রাও অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা বঙ্কর অদু ঙসি য়েংশিনখ্রে। গভর্নরনা হায়, রাজ ভৱনদগী হুট্টুনা পুরিবা টর্নেল অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা হায়খ্রে।

বঙ্কর অদু ফুট ২০ লোম ৱাংবগা লোয়ননা নোংচুপ থংবা শরুক লোমদা চৎলি। ওগষ্ট ১২দা পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা রাজ ভৱনগী ৱাল অমা থুগায়রুবদা বঙ্কর অদু থেংনরকখিবনি। মখা তানা য়েংশিনবদা টর্নেল অদুগী মনুংদা কা ১৩সু লৈরম্বা থেংনখি।

বঙ্কর অদু নোংচুপ থংবা শরুক্তা ফাওদোকপা য়ানবা শেন্নমখিবনি। মদুগী মনুংদা অপীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাওবা কা কয়া লৈরম্বা থেংনখি।

লৈনুংদা স্কৱর ফিট ৫০০০ পাক চাওবা মফমশিং শেমগৎলম্বগা লোয়ননা সেল ষ্টোর, গন সেল, কার্ট্রিজ ষ্টোর, সেল লিফ, পম্পম অমসুং ৱাকসোপশিং লৈরম্বগী ফিভমশিং থেংনখি।

বঙ্কর অদু লৈবাক অসিনা নিং খাতল্লবা মতুং থিংজিনখিবা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ। বঙ্কর অদুগী মনুংদা অশেংবা নুংশিৎ ফংহন্নবা অমসুং ঈশিং চেপ্পোকখিনবগী মফম কয়াসু হাপ্পমখি হায়রি।

# লোসিয়ানাদা ঈচাওনা য়ুম ৪০,০০০ অমাং অতা থোকহনখ্রে, মীওই ১১ শীহনখ্রে

*গোনজালেস, আগষ্ট ১৭ঃ*

য়ুনাইদেট ষ্টেসকী লোসিয়ানাদা ঈচাওনা মীওই ১১ শীহনখ্রে। অদুগা য়ুম ৪০,০০০ অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়না য়ু এসনা ফোঙদোরক্লি।

খা থংবা লোসিয়ানাদা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঈচাও থোকহনখি। ঈশিংগী ঈমায় হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লমদম অদুদা তম্না ঙমদবা ফিভম অমা মায়োক্লখি হায়না লোসিয়ানা গভর্নর জোন বেল ইদৱাদনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ঈচাও অদুনা য়ুম লিশিং ৪০ থুমজিনখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং ৮ হেনবনা চংজফম লৌদুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ২০ হেন্না কন্দুনা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে।

লমদম অদুদা হৌজিক ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্তুনা অকনবা থবক পায়খৎলি। ফেজ নাইনা লমদম অদুদা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি। ষ্টেট অদুগী খা থংবা শরুক্তা মী কনবগী থবকসু চথরি।

লমদম অদুগী চাদ ৭৫দি ঈচাওনা শোকহল্লে। লমদম অদুদা অৱাবা নংলিঙৈ চৈরক্তা পোৎ হুরানবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি। ম্যুনিসিপালিটি কয়ানা নুংথিলগী মতমদা অদুগুম্বা ৱাথোকশিং অদু লাকশিন্নবা কার্ফ্যু থম্লি।

অদুম ওইনমক মী কনবা কাংবুনা ঈচাও নংলবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক চথবদদি অথিংবা অমত্তা থমদে হায়রি।

ইষ্ট বাটোন রোগ সরিফ সিদ গাওত্রিব্রুক্সনা লমদম অদুগী মীয়ামশিং ঙাক শেন্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়খ্রে। পোৎ–চৈ হরানবগা মরী লৈননা মীওই ১০সু ফাগৎলে হায়রি। ইদৱাদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুম ৩৪,০০০দা মৈ পীবদা অৱাবা মায়োক্লরে। য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি হায়রি।

# কাশ্মীরদা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি পার্সোনলে ৩ হাংখ্রে



*শ্রীনগর, আগষ্ট ১৭ঃ*

কাশ্মীরগী নাওহটাদা স্পিসিয়েল ওপরেসন গ্রূপ (এস ও জি)না পোজিসন লৌদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখি। য়ুমশংকৈশ নুমিৎতা মিলিটেন্টশিংনা এটেক কয়া চথরকখিবা লৈখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর পুলিস পার্সোনেল অমা য়াওনা লান্মীগী মীওই অনী মিলিটেন্টশিংনা অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বরাবুলা দিষ্ট্রিক্তা এটেক চথরকপদা শীহনখি।

সেনিয়র এস পি ইমতিয়াসনা ফোঙদোরকখিবদা লালহৌবশিংনা এটেক চথরকপদা সিক্যুরিটিগী মীওই অহুম অশোক অপন নংখি। শ্রীনগরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হ্লাজাবাগ লমদমদা লান্মীগী কনভোই অমদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ২.১৫ চৎপদা এম্বুস তৌরকখি। হায়রিবা মফম অদু কাশ্মীরদা থোক্লিবা ইরাংগা মরী লৈননা কার্ফ্যু থম্লিবা মফমনি হায়রি।

নুমিদাংগী মতমদা মহৌশাগুম কনভোই ওইনা চৎপা লান্মীশিংদা এটেক অদু চথরকখিবনি। মতম অদুমক্তদা পুলিসকী গারী অমসু মফম অদুমক্তদা চংশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা পুলিস পার্সোনেল অমা শীহনখি। অদুগা অমনা অশোক অপন নংখি।

মখোয়না তোংলকখিবা গারী অদুসু এটেক চথরকখিবা অদুনা কোনশিনখি হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পাক শন্না মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবা অকনবা ওপরেসন চথরি।

নুমিদাংগী মতম অদুদা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা এটেক চথরম্বা মীওইশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি।

শ্রীনগরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা অকনবা এটেক চথরকখিবা মতুং হন্দক্কী অসিনা নৌনা থোকপা খুদোংথিবা থৌদোক অমনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মিলিটেন্ট ২ হাৎপা ঙমখি। মিলিটেন্টশিং অদুদা লৈবাক অসিগী নিংখা তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক চথরনবা থৌরাং তৌরমখি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী তম্পাক্কী লমদমদা হৌজিকসু কার্ফ্যু থম্লি। লমদম অদুগী তোখায় তানিংবা মীওইশিং আগষ্ট ১৫ ব্রেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লি হায়রি।

# ছটিসগরদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা নেক্সেল মরী হাংখ্রে

*রাইপুর, আগষ্ট ১৭ঃ*

আইননা থিংখ্রবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)কী মেম্বরশিংনি চীংনবা মীওই ৪ ষ্টেট অদুগী দন্টেৱারা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা হাংখ্রে।

ঙসি অয়ুক দন্টেৱারাগী টবাকুনা খুঙ্গংগা নক্কবা মফম অমদা মাওইষ্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট রিজর্ব গার্দ, স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মাওইষ্টকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা অশিবা হকচাং মরী ফংবা ঙল্লে হায়না বাষ্টর রিজনগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) এস আর পি কালুরনা ফোঙদোরক্লি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা লৈখিদ্রবা মাওইষ্ট কাদরশিং অদুগী মনাক্তগী রাইফল মরী য়াওনা তোঙান–তোঙানবা খুৎলায় ৮ ফংবা ঙমখি। আই জিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা লৈখিদ্রবা মাওইষ্ট মরীগী মনুংদা অনীদি মশক মমিং খঙবা ঙল্লে।

মখোয় অদুদি মাওইষ্টকী ২৬শুবা প্লাটুন কম্মান্দর মদকামি বেদেব অমসুং কতেকালিয়াননি হায়রি। কাতেকালিয়ান সি পি আই মাওইষ্টকী মসা লমদমগী কম্মিটি মেম্বরনি হায়রি।

# নিংখাতম্বগী নুমিৎকা মরী লৈননা য়েম্থোরকখিবা অথুম– অহাও চারুবা অঙাং ৭১ লাকন্নখ্রে

*সম্বলপুর, আগষ্ট ১৭ঃ*

উরিষাগী সম্বলপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গ্রাম পঞ্চায়েট অমগী অকোয়বা মফমদা নিংখাতম্বা নুমিৎকা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা য়েম্থোকখিবা অথুম–অহাও চারুবা মহৈ তল্লিবা অঙাং ৭১ লায়কন্নখ্রে।

লায়কন্নখ্রবা অঙাংশিং অদু চহী ৫দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি। সম্বলপুর দিষ্ট্রিক্টকী লিপিন দা পঞ্চায়েটনা কোনবা মফমদা পাঙথোকপা নিংখাতম্বা নুমিৎকা মরি লৈননা য়েম্থোকখিবা অথুম অহাওশিং চারুবদগী অঙাংশিং অদু নারকখিবনি হায়রি।



খুদোংথিবা মায়োক্ল রবা অঙাংশিং অদু সম্বলপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অথুম–অহাওশিং অদু চারুবা পুং ৩গী মতুংদা অঙাংশিং অদু ওবা অমসুং ইটোন ফাইবগী লায়ওংশিং উৎলকখি।

লায়কন্নখিবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা ৫১দি অহানবা লায়েং পীরবা মতুং হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুগা অঙাং ২০দি মখা তানা লায়েং চথরি হায়না সম্বলপুর চীফ দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসার কোদনদা রাওনা ফোঙদোরক্লি।

অঙাংশিং অদু ফুদ পোইজনিং তৌবদগী নারকখিবনি হায়বগী চীংনবা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর সমরথা বর্মানা লায়কন্নরিবা অঙাংশিংনা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-673**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | 3 | 5 | 2 | | |
| | 1 | | | 9 | | | 8 | |
| | 7 | 4 | | | | 1 | | |
| 7 | 4 | | | | 1 | 3 | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | 8 | | 4 |
| | 6 | | | | | | 5 | 9 |
| 4 | 2 | | | | | | 7 | 1 |
| 3 | | | 5 | 2 | 7 | | 6 | |
| 8 | | | | 1 | | | | |

*সনা–সুদোকু– ৬৭২ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |


URGENT VACANCY
Regd. no. 59905R/IW/1985 Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | POST VACANCY FOR BANKING STAFF: | | | |
| i) | Banking Sitting Staff (CSO) Asst. Manager | 13 | XII-Grad | 18000-30000 |
| ii) | Account Opening, Sales Executive/ Teller | 15 | XII-Grad. | 14000-25000 |
| iii) | Data Entry/Bank Mobile Banking | 20 | X-XII-Grad. | 12000-30000 |
| iv) | ATM Guard/Gunmen/Bank security | 20 | VIII-X-XII | 8000-18000 |
| 2. | ALL INDIA POST VACANCY FOR AIRPORT AND AIRLINES, DIRECT SELECTION & JOINT OF FRESHER CANDIDATE 50% ST RESERVED: | | | |
| i) | Ground Leader CSA/Air Tickeing | 20 | XII-Grad. | 15000-60000 |
| ii) | Air Hostess/Cabin Crew/Stewards | 50 | XII(Appear) | 45000-2 lakhs |
| iii) | Hospitality Managment Staff | 25 | XII-Grad. | 20000-60000 |
| iv) | Loader/Weight Checking/Driver/Cleaner | 20 | X-XII | 12000-35000 |
| 3. | IMPHAL POST VACANCY FOR NGO'S PRIVATE FARM/ SEMI-GOVERNMENT OFFICE/HOSPITALS: | | | |
| i) | Reception/LDC/Attendant/Sales Officer | 10 | VIII-X-XII | 5000-10000 |
| ii) | Asst. Manager/Field Officer/Collector | 8 | X-XII-Grad. | 6000-15000 |
| iii) | Comp. Data Entry/Accountant/Field Officer | 10 | X-XII | 7500-15000 |
| iv) | V.I.P. Gun men, Guard/Normal Guard | 10 | VIII-X | 8000-15000 |
| v) | Nurse (ANM/GMN)/X-Ray Tech/Lab. Tech | 15 | X above | 5000 above |

Extra Income : Work from home, student, housewife, umemployed & employed earn 10,000/- to 20,000/- per month (VIII pass above
Interview on : 25th Aug, 2016
Last submission : 24th Aug, 2016
Pliz Contact : Office Hour : 10.00 am to 4:00 pm
✆ : 8119868884/8794941724
Sd/-
WESTERN ENTERPRISES
Kanglapak, ADAARSH BUILDING
SL/B/18-23 Aug



JOB VACANCY
Regd. no. 1400621-03550 pt-1 (micro under the Govt. of Manipur)

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | HOSPTIAL, HOTEL, MNC COMPANY, OFFICE, SCHOOL | | | |
| i) | Staff Nurse (GNM/ANM/B.Sc) | 15 | X-XII | 5500-8500 |
| ii) | Medical Representative | 08 | XII-Grad. | 15000-30000 |
| iii) | B.P.O. Asst. Manager | 10 | XII-Grad. | 12000-18000 |
| iv) | Computer Operator, Data Entry | 15 | X-above | 8500-15000 |
| 2. | DIRECT JOIN MICRO FINANCE/OFFICE (100% Success) | | | |
| i) | Reception, L.D.C., Attendent | 10 | VIII-above | 5500-8500 |
| ii) | Security/Gunman, Peon, Helper | 10 | VIII-X | 4500-8500 |
| iii) | Choukidar, Grasscutter, Cook, Helper, Sweeper | 15 | VIII-above | 5000-10000 |
| 3. | DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING IN MANIPUR & NORTH EAST (6 MONTHS TRAINING WITH SALARY) | | | |
| i) | Account Opening, Loan Recovery | 18 | XII-Grad. | 12000-25000 |
| ii) | Setting Staff, Mobile Banking Supervisor, Loan Officer | 15<br>15 | XII-Grad. | 16000-28000 |
| iii) | ATM Security, Bank Security | 10 | VIII-X | 10000-18000 |
| 4. | AIRPORT POST VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL | | | |
| i) | Air Tiketing Staff | 12 | X-XII | 12000-15000 |
| ii) | Ground Staff, Airport electrician Cabin Crew, Air Hostes | 15 | X-XII | 17000-25000 |
| iii) | Loader, Flight Cleaner, Cargo Driver | 20 | VIII-above | 10000-20000 |
| 5. | Extra Income & part time Jobs for Students, House wife and Employed and unemployed in Manipur | | VIII-above | 10000-20000 |

Interview on : 29th Aug., 2016
Last submission : 27th Aug., 2016
Office Hour : 01.00 am - 4.00 am
SL/B/18-26 Aug
RISING STAR COLABORATION
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Ima Stationary



DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July - 20th Sept. 2016